# চীং লম্বীদগী বস ওন্থখিবগী থৌদোক্তা মীওই ১৪ শিরে

টেহরান, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইরানগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা চীং লম্বী অমদা পেসেঞ্জরশিং পুদুনা চৎখিবা মিনিবস অমা কন্ত্রোল ঙমহৌদবদগী চীং লম্বী অদুদগী ওন্থরকখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪ শিখ্রে হায়না ন্যুজ এজেন্সিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিবস অদু মরিভানদগী কময়ারন তান্না চীং লম্বী অদুদা চৎখিবনি। হায়রিবা অসি কর্দিষ্টান প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা চীং লম্বী অমনি। মিনি বস ওন্থখিবগী থৌওং অদু দ্রাইভর অদুনা চেকশিনদবদগী ওইগনি হায়ন লোকেল ওফিসরশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক্তুনা মীওই ১৪ শিরগা ৮ না অশোক অপন নংহনখিবনি। অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা অমগী ফীভমদি লুনা লৈরি।

য়ু এসনা অথিংবা কয়া থমজিনখিবনা মরম ওইরগা ইকনমিগী ওইবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরিবা লৈবাক অসিদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং য়াম্না ৱাংলি। লৈবাক অসিদা মরু ওইনা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংলিবা অসি গাড়ী মপুং ফানা থৌবা হৈত্রিবা মীওইশিংনা চীং লম্বীশিংদা গাড়ী থৌবা অমদি মখোয়না শীজিন্নরিবা গাড়ীশিং অদু মপুং ফানা শেমজিন শাজিনদবনা ওইরি। মখা তানা অসিগুম্বা লাইবকথিবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবগীদমক মোনিটর তৌবা হৌরগনি।

# টালিবানগী কো ফাউন্দর মুলাহ বরাদারনা লুচিংলবা য়ানা লৈ : রিপোর্ট

কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা মপুং ফানা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা নৌনা শেমগদৌরিবা গভর্ণমেন্ট অদুগী লুচিংবা টালিবানগী কো ফাউন্দর মুলাহ বরাদারনা ওইরবা য়ানা লৈ অমদি অথুবা মতমদা মহাক্কী মমিং লাউথোক্লগনি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা টালিবান ফাইটরশিংনা কাবুলগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা পঞ্চির ভেলিবু খুদুম চন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। অফঘানিষ্টানদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্ন বা হোৎনরবসু য়াম্না লুরিবদি হৌজিক হৌজিক লৈবাক অদুগী ওইরিবা ইকনমিগী ফীভম অসিনি। লালনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী ইকনমিদা অচৌবা চৈথেং পীবগা লোয়ননা লাল মরক্তা থোরকখিবা ঈকংনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা অফঘান ২,৪০,০০০ রোম শিহনখ্রে।

তোঙান তোঙনাবা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না বরাদারনা লুচিংগদৌরিবা লৈঙাক অদুদা টালিবানগী লৈখিদ্রবা কো ফাউন্দর মুলাহ ওমরগী মচানুপা মুলাহ মহমদ য়াকুপ অমদি সের হমদ অবাস তানেকজ ই মরু ওইবা ফমশিং পায়রবা য়ানা লৈরি। টালিবানগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং কাবুলদা থুংলখিবগা লোয়ননা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদুদা য়াওগদবা মীশিংগী মমিং শেম শাবগী থবক লোয়শিনখ্রে।

টালিবানগী সুপ্রিম রিলিজিয়স লিদর হায়বাতুলা অখুনজাদানা ফোঙদোকখিবদা ইস্লামগী চৎনা কাঙলোন মতুং ইন্না লৈঙাক্কী অনৌবা নীয়মশিং শেল্লগনি অমদি লাইনিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মমাং থাগী ১৫ দা টালিবান ফাইটরশিংনা কাবুল মপুং ফানা খুদুম চনখিবনি। অফঘানিষ্টানগী শরুক অয়াম্বা টালিবাননা কন্ত্রোল তৌখ্রবসু লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা পঞ্চির ভেলিদি খুদুম চনবা ঙমদ্রি। এন্টি টালিবান গ্রুপ অমা ওইরিবা মসুদনা লুচিংবা লোকেল মিলিসিয়াশিংনা হায়রিবা মফম অসি খুদুম চন্দুনা থল্লি। মফম অসিদা টালিবান অমদি লোকেল মিলিসিয়া গ্রুপ অনীগী মরক্তা য়াম্না কন্না নোংমৈ কাপ্নবগী থৌওংশিং চথরি। লোকেল মিলিসিয়া গ্রুপ অসিদা গভর্ণমেন্টকী লান্মী কয়াসু য়াওশিনখ্রে।

টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হায়রিবা ভেলি অসি অতেনবা মতমগী মনুংদা টালিবানগী খুবামনুংদা তারগনি। ভেলি অসিবু কন্ত্রোল তৌনবগীদমক মশীং য়াল্লবা টালিবান ফাইটরশিং মফমদুদা চঙশিনখ্রে।

# ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা মরী লৈনবা টেররিষ্ট অমা পুলিসনা হাৎখ্রে

ৱেলিংটন, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : ন্যু জিলেন্দগী সুপর মার্কেট গ্রুপকা মরী লৈনবা টেররিষ্ট অমনা মীওই ৬ থাঙনা এটেক চথদুনা অশোক অপন নংহনখ্রবা মতুং মহাকপু মতম শাংনদগী শেন্নদুনা লাকখিবা অন্দর কোভর পুলিস ওফিসর অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ন্যু জিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা অর্দননা ফোঙদোকখিবদা পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মীওই অদু শ্রী লঙ্কান সিটিজননি। মহাকপু লৈবাক অদুগী অন্দর কোভর পুলিস ওফিসরশিংনা মতম শাংনদগী য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। মহাক্না ঙসি মীওই ৬ থাঙনা এটেক চথদুনা শোকহনখিবা অদু লাইবকথিবনি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদু কুমজা ২০১১ দা ন্যু জিলেন্দদা থুংলখিবনি। মীওই অসিনা ওকলেনগী সব অরবান সোপ্পিং মোল অমদা চঙশিল্লক্লবা মতুং মীয়াম্না য়েংনবগীদমক থল্লিবা থাঙগী দুকান অমদগী খঙহৌদনা থাঙ অমা লৌথোক্লবা মতুং মনাক নক্লা লৈরম্বা মীওইশিংদা এটেক চথবা হৌরকখিবনি।

থৌদোক্তুদা শোক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা অহুমগী ফীভমদি লুনা লৈরি। টেরোরিষ্ট অদুনা চথরিবা থবক থৌওংশিং অন্দর কোভর ওফিসর অদুনা সেকেন্দ ৬০ লোম য়েংলবা মতুং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। নোংমৈ মখোল তাবদা সোপ্পিং মোল অদুদা লৈরম্বা দুকান মপুশিং অমদি মোল অদুদা লাকখিবা মীওই কয়া মফম খঙদনা চেন্নখি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকখিবা অদুবু মীয়ামদা পাউদম্লদুনা মখা তানা পি এম জসিন্দানা, ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অসিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী মার্চ থাদা থোকখিবা খৃষ্টচর্চ মোস্ককী থৌদোক অদু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি হায়রি।

# অফঘানিষ্টান থাদোক্তুনা চৎপা পাম্বশিংগী মতেং পাংগনি

লন্দন, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : য়ু কেগী ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাবনা কাটারদা অফঘানিষ্টানদগী চেন্থোরক্তুনা লৈরিবা মীওইশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টান থাদোক্তুনা চৎপা পাম্বশিংগী মতেং পাংনবগীদমক য়ু কেনা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংগা লোয়ননা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা লালনা অমাঙ অতা থোকহল্লবা লৈবাক অদুদগী চেন্থোরকখিবা মীওইশিং মতেং পাংনবগীদমক য়ু কে গভর্ণমেন্টনা অচৌবা শেনফম অমা কায়থোক্তুনা থল্লে অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনিংবা মীওই খুদিংমক তেক্তা কায়দনা পুথোরক্লবগীদমক থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌখ্রে। ঙরাং অয়ুক কাটারদা থুংখিবা য়ু কেগী ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাবনা কাটারগী ফোরেন মিনিষ্টরগা ঙসি অয়ুক অঙনবদা দোহাদা উন্নদুনা অফঘানিষ্টানগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে। পনবা য়াবদি য়ু কেনা টালিবানশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানবা শেম শারে। অদুমওইনমক নৌনা লাক্কদৌরিবা টালিবানগী গভর্ণমেন্ট অদুবু য়ু কেনা খুদক্তা রিকগনাইজ তৌবগী ওইথোকপদি লৈত্রি হায়না ফোরেন সেক্রেটরি অসিনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# সিরিয়ন এয়র দিফেন্স সিষ্টেমনা ইজরেলি মিসাইল কয়া কাপথখ্রে

দমাস্কস, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : সিরিয়াগী কোনুং দমাস্কসতা টর্গেট তৌরগা ইজরেল ফোর্সনা কাপশিল্লকখিবা মিসাইল কয়া সিরিয়ন এয়র দিফেন্স ফোর্সনা লৈমায় য়ৌরক্রিঙৈদা নোংথক্তা কাপথখ্রে হায়না এস এ এন এ ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সি অসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ১.২৬ তারকপা মতমদা য়েক্লবা ইজরেলগী লান্মীশিংনা দমাস্কস সিটি তম্না মিসাইলশিং কাপশিল্লকখিবনি। বৈরুটকী খা নোংপোক থংবা শরুক্তগী কাপলকখিবা মানবা মিসাইলশিং অদু লৈবাক অদুগী এয়র দিফেন্স সিষ্টেমনা মায় পাক্লা কাপথখিবনি। থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশোক অপন থোকপগী পাউ অমত্তা লৈত্রি। ইজরেলগী মায়কৈদগীসু হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

# কোভিদকী চৈথেং মরক্তা দেঙ্গিনা অমুক অৱাবা তাহল্লে

ধাকা, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা বংলাদেশতা মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা দেঙ্গিনা লৈবাক অদুদা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা মীওই ৪৮ শিহনখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী দিরেক্তোরেট জেনরেল ওফ হেল্থ সার্ভিসেসনা ফোঙদোরক্লি।

দিরেক্তোরেট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না চহী অসি হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা দেঙ্গীগী কেস ১১,০০০ রোম থেংনখ্রে। মদুগী মনুংদা ৩৩০ দি হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎ খক্তদা থেংনখিবনি। মসিনা লৈবাক অদুদা পুং ২৪ গী মনুংদা থেংনখিবা দেঙ্গীগী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি। কাঙদগী হৌরকখিবা দিজিস মখল অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৪৮ শিহনখিবগা লোয়ননা মখা তানা মীশি মীনা থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। বংলাদেশতা দেঙ্গিনা মরম ওইরগা হৌখিবা জুলাই থাদা ইহান হান্না মীশি মীনাগী থৌদোক থোকখি। থা অদুনা পুন্না লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১২ শিহনখি। অদুগা মমাং থাদনা মীওই ৩০ অদুগা থা অসিগী হৌগৎলকপদা পুন্না মীওই ৬ শিহনখি। ধাকা খক্তদা দেঙ্গীগী কেস মশীং ১০,০৫৩ লৈরি। কোভিদ লায়না লাইচৎতা অহেনবা মীৎয়েং চঙলিঙৈদা দেঙ্গিনা খঙহৌদনা চৈথেং পীরকখিবনি।

# ন্যু য়োর্ক ঈশিং ঈচাওদা শিখিবা মী ৪৪ শুখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্তেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : কেটেগোরি ৪ গী হরিকেন ইদানা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ন্যু য়োর্কতা চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা সিটি অদুদা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৪ শিহনখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লম্বীশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা তুরেলগা মান্নখ্রে। সবৱে সর্ভিসশিং ক্লোজ তৌশিনখ্রে। মখা তানা হরিকেন ইদানা অকনবা চৈথেং পীরবা য়ানা লৈবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অহিং তুম্বা ঙম্নদ্রে।

মেনহটন রেষ্টুরেন্টতা থবক তৌবা মেটোদিজা মিহাজলোভনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না চহী ৫০ রোম হিংলকখিবা অসিদা ন্যু য়োর্কতা হন্দক চুখিবা নোং অদুগুম্না চুবা মহাক থেংনদ্রি। হন্দক্কী চহী অসি হৌগৎলকপদগী ওইরক্লিবা ফীভম অসি অঙকপনি। সিটি অদুদা কা হেন্না শাবা অমদি ঈচাওগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোরক্লি। চহী অসিগী ওইনদি মখোয় জঙ্গলদা হিংবা মীওইশিংগা চপ মান্নরি। ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা লা গার্দিয়া অমসুং জে এফকী এয়রপোর্টকী ওইনা ফ্লাইট সার্ভিস ১০০ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রে। নেটৱার্ককী ওইনসু ফ্লাইট সার্ভিসশিং কেন্সেল তৌখ্রে। অমরোমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা হরিকেন ইদানা অৱাবা তাহল্লবা মীওইশিং মতেং পাংনবগীদমক মহাক্কী লৈঙাক্লা শেম শাদুনা লৈরি। মীয়াম্নসু য়ারিবমখৈ য়াম্না চেকশিন্না লৈগদবনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 219,922,781 | +679,797 | 4,555,827 | +10,658 | 196,562,686 | 18,804,268 |
| 1 | USA | 40,513,018 | +177,568 | 662,853 | +1,565 | 31,199,835 | 8,650,330 |
| 2 | India | 32,902,345 | +45,482 | 439,916 | +357 | 32,056,085 | 406,344 |
| 3 | Brazil | 20,830,712 | +26,497 | 582,004 | +776 | 19,801,725 | 446,983 |
| 4 | Russia | 6,956,318 | +18,985 | 184,812 | +798 | 6,218,048 | 553,458 |
| 5 | UK | 6,862,904 | +38,154 | 132,920 | +178 | 5,533,227 | 1,196,757 |
| 6 | France | 6,799,240 | +15,911 | 114,680 | +103 | 6,310,859 | 373,701 |
| 7 | Turkey | 6,435,773 | +23,496 | 57,283 | +283 | 5,872,385 | 506,105 |
| 8 | Argentina | 5,195,601 | +4,653 | 112,195 | +190 | 4,884,418 | 198,988 |
| 9 | Iran | 5,055,512 | +30,279 | 108,988 | +595 | 4,269,508 | 677,016 |
| 10 | Colombia | 4,913,031 | +1,949 | 125,097 | +81 | 4,742,640 | 45,294 |
| 11 | Spain | 4,871,444 | +9,561 | 84,640 | +168 | 4,399,864 | 386,940 |
| 12 | Italy | 4,553,241 | +6,761 | 129,352 | +34 | 4,286,991 | 136,898 |
| 13 | Indonesia | 4,109,093 | +8,955 | 134,356 | +680 | 3,798,099 | 176,638 |
| 14 | Germany | 3,983,983 | +13,950 | 92,794 | +37 | 3,750,700 | 140,489 |
| 15 | Mexico | 3,369,747 | +17,337 | 260,503 | +1,177 | 2,715,043 | 394,201 |
| 16 | Poland | 2,889,424 | +402 | 75,367 | +7 | 2,657,177 | 156,880 |
| 17 | South Africa | 2,796,405 | +9,202 | 82,914 | +418 | 2,568,465 | 145,026 |
| 18 | Ukraine | 2,290,848 | +2,477 | 53,877 | +44 | 2,209,754 | 27,217 |
| 19 | Peru | 2,152,118 | +1,108 | 198,364 | +35 | N/A | N/A |
| 20 | Philippines | 2,020,258 | +16,395 | 33,680 | +148 | 1,839,991 | 146,587 |
| 21 | Netherlands | 1,946,655 | +2,773 | 18,017 | +5 | 1,854,081 | 74,557 |
| 22 | Iraq | 1,902,407 | +6,948 | 20,934 | +56 | 1,748,758 | 132,715 |
| 23 | Malaysia | 1,786,004 | +20,988 | 17,191 | +249 | 1,506,273 | 262,540 |
| 24 | Czechia | 1,679,740 | +263 | 30,404 | | 1,647,375 | 1,961 |
| 25 | Chile | 1,639,698 | +575 | 36,995 | +50 | 1,596,763 | 5,940 |
| 26 | Bangladesh | 1,507,116 | +3,436 | 26,362 | +88 | 1,437,885 | 42,869 |
| 27 | Canada | 1,507,053 | +4,034 | 26,991 | +29 | 1,446,567 | 33,495 |
| 28 | Japan | 1,506,451 | +19,259 | 16,123 | +82 | 1,277,940 | 212,388 |
| 29 | Thailand | 1,234,487 | +14,956 | 12,103 | +262 | 1,058,704 | 163,680 |
| 30 | Belgium | 1,187,506 | +2,842 | 25,382 | +2 | 1,103,638 | 58,486 |
| 31 | Pakistan | 1,167,791 | +4,103 | 25,978 | +89 | 1,048,872 | 92,941 |
| 32 | Sweden | 1,129,131 | | 14,651 | | 1,088,203 | 26,277 |
| 33 | Romania | 1,101,678 | +1,470 | 34,617 | +26 | 1,056,922 | 10,139 |
| 34 | Israel | 1,098,727 | +11,852 | 7,122 | +36 | 999,335 | 92,270 |
| 35 | Portugal | 1,042,322 | +2,830 | 17,766 | +9 | 980,599 | 43,957 |
| 36 | Morocco | 872,351 | +5,383 | 12,819 | +70 | 807,433 | 52,099 |
| 37 | Hungary | 812,793 | +262 | 30,060 | +1 | 777,909 | 4,824 |
| 38 | Jordan | 798,984 | +893 | 10,442 | +20 | 776,925 | 11,617 |
| 39 | Kazakhstan | 798,671 | +4,880 | 9,495 | +93 | 691,480 | 97,696 |
| 40 | Switzerland | 785,692 | +2,838 | 11,010 | +12 | 709,789 | 64,893 |
| 41 | Serbia | 769,803 | +3,524 | 7,322 | +15 | 723,920 | 38,561 |
| 42 | Nepal | 765,914 | +1,619 | 10,786 | +16 | 721,182 | 33,946 |
| 43 | UAE | 720,330 | +975 | 2,043 | | 708,155 | 10,132 |
| 44 | Austria | 691,663 | +1,510 | 10,778 | +3 | 664,582 | 16,303 |
| 45 | Tunisia | 668,051 | +1,883 | 23,647 | +109 | 622,353 | 22,051 |
| 46 | Cuba | 665,672 | +6,208 | 5,464 | +87 | 627,242 | 32,966 |
| 47 | Lebanon | 604,409 | +1,121 | 8,070 | +9 | 556,294 | 40,045 |
| 48 | Greece | 593,668 | +2,836 | 13,702 | +33 | 543,570 | 36,396 |
| 49 | Georgia | 556,909 | +3,212 | 7,563 | +81 | 502,534 | 46,812 |
| 50 | Saudi Arabia | 544,811 | +177 | 8,560 | +8 | 533,430 | 2,821 |

GOVERNMENT OF MANIPUR
COMMAND AREA DEVELOPMENT DEPARTMENT
MANIPUR
-----
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ /N O T I F I C A T I O N
Imphal, the 31st August, 2021

No.4/CADA-DPC/2016(Pt-I) : In continuation of this Department's Notification of even No. dated 5th February, 2020, this is to inform to all the candidates whose names are sponsored by the Employment Exchanges of all Districts of Manipur for recruitment to the posts of 1. Draftsman Grade –II 2. Driver 3. Tracer (Draftsman Grade –III) 4. Surveyor in the Department of Command Area Development, to note the revised schedule for the conduct of the written examination.

1. Issue of application form and Submission of duly filled in application form - upto 4:00 pm. of 14th September, 2021
2. Issue of Admit Card after scrutiny - 15th, 16th & 17th September, 2021 Upto 4:00 pm of 17th September, 2021
3. Date of Written Examination - 19th September, 2021(Sunday) Venue and time of the written examination will be indicated in the Admit Card

Form will be issued on payment of Rs. 500/- ( for General and OBC Candidates) and Rs. 300/- (for SC & ST) from the office of the undersigned.

Sd/- Suresh Singh Ningombam
Additional Chief Engineer,
Command Area Development Department
Government of Manipur

HL-B/7128/4 & 5 Sept.

GOVERNMENT OF MANIPUR
COMMAND AREA DEVELOPMENT DEPARTMENT
MANIPUR
----
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ /N O T I F I C A T I O N
Imphal, the 31st August, 2021

No. 4/CADA-DPC/2016 : In partial modification of this office Notification of even No. dated 21st November 2019, the Command Area Development Department, Manipur invites intending candidates for appointment in the Command Area Development Department to the following post on Temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchanges in Manipur.

| Sl. No. | Name of Posts | Qualification | Pay Band | No. of Post | ST | UR |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | LDC | Graduate who have completed a course on computer concepts (CCC)IDOS_Windows-MS Office +Multimedia +Internet) of a Central/State recognised Institute | 5200-20200 +2000 (GP) | 2(two) | 1(one) | 1(one) |

2. Time/Scheme of selection will be notified after list of candidates sponsored by Employment Exchanges are received upto **29th September, 2021.**
3. Those who had been sponsored in response to Notification No.4/CADA-DPC/2016 dated 21st November 2019 need not be sponsored again.

Sd/- Suresh Singh Ningombam
Additional Chief Engineer,
Command Area Development Department
Govt. of Manipur.

HL-B/7127/4 & 5 Sept.

**Government of Manipur**
**Office of the Principal Chief Conservator of Forests & HoFF**
**Sanjenthong: Imphal**

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **N O T I C E**
Imphal, the 2nd September 2021

**No.2/1/2017/Forests:** In pursuance of Letter No.CAU/Reg/982/Adm-Forestry/15 dt. 19.08. 2021 of the Dy. Registrar (Academic), CAU, Imphal, applications in prescribed forms are invited for selection of 5 (five) candidates as State Nominees for admission to 4 (four) years Degree Course of B.Sc (Hons) in Forestry at the College of Horticulture & Forestry, Pasighat, Arunachal Pradesh under Central Agriculture University, Imphal for Academic Session 2021-22 as detailed below:

| Sl. No. | Category | No. of Seats | Minimum Requirements |
|---|---|---|---|
| 1. | Un-Reserved (UR) | 2 No. | a) Passed Higher Secondary (10+2) with minimum 50% marks in aggregate of PCB/PCMB/Inter-Agriculture for General & OBC categories and 40% marks for SC/ST/PwD/In-service categories.<br>b) The candidates must have attained 16 years of age as on 31st Aug, 2021. |
| 2. | OBC (Non-creamy layer) | 1 No. | |
| 3. | Scheduled Tribe (ST) | 1 No. | |
| 4. | Scheduled Caste (SC) | 1 No. | |
| | **Total** | **5 Nos.** | |

2. Reservation of Candidates belonging to Persons with Disability (PWD) shall be on horizontal basis i.e. their reservations shall be within their original categories.
3. In view of the Lockdown due to Covid-19 pandemic, selection of Candidates shall be solely based on marks obtained in 10+2 Examination (Science) in four subjects namely (i) English, (ii) Physics, (iii) Chemistry and (iv) Biology /Mathematics /Inter-Agriculture. The candidates having the highest total marks will be nominated.
4. If two or more candidates score the same marks, their inter-se-merit shall be decided in favor of the candidate who has offered Biology, Mathematics and Agriculture in order of preference. In case of further ties, older candidate will be preferred.
5. Prescribed Application Form may be downloaded from the Manipur Forest Department's website **forest.manipurforest.gov.in.** Duly filled in application form with scanned copies of original mark sheets of Class- 10 & Class-12 and OBC/ST/SC/PWD Certificate should be submitted online to the Email ID: **bscforestryexammanipurforest@gmail.com** till **5.00 PM of the 15th September, 2021.**
6. List of selected candidates shall be uploaded on the Department's website **forest.manipurforest.gov.in on 16th September, 2021.**

Sd/- **Dr. Aditya K Joshi IFS**
**Principal Chief Conservator of Forests & HoFF**
**Government of Manipur**

HL-B/6939/4